# য়ুএনসি গী ট্রাইপরটাইট তোক ক্লোজ দোরদা চথখ্রে করি ৱারী শান্নখিবনো হায়বা কনামত্তদা হায়দোকখিদ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী  ৬ :* নাগাশিংগী ওইবা মণিপুর সরকারগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাংমদা তোঙানবা লৈঙাক শাসন অমা লৈহন্নবা য়ুএনসি না দিমান্দ তৌরিবা অল্টরনেটিভ

এরেঞ্জমেন্টকী মতাংদা ঙসি ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ট্রাইপরটাইট তোক সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট  হেদ ক্কার্টরসকী ওল দি সি ওফিস কেম্পসতা লৈবা দি আর দি এ গী কনফরেন্স হোলদা ক্লোজ দোরদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা করি ৱারী শানখিবনো হায়বা কনামত্তদা হায়দোকখিদ্রে।

ঙসি চথখিবা ট্রাইপরটাইট তোক অদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুচিংখি। টিম অদুদা আর দি এন্দ পি আর গী মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, এমএলএ শ্রী এন বীরেন, হিলস এরিয়া কম্মিটিগী চেয়ারমেন ডা: চালতোনিলয়ান অমো, চিফ সেক্রেটরি পি সি লমকুঙা অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হোম ডা: সুরেস বাবু য়াওখি।

ভারত সরকারগী মায়কৈদগীনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স, নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ  জোইন্ট সেক্রেটরি শম্ভুনা লুচিংখি। য়ুএনসিগী ওইনা প্রসিদেন্ট এল অদানি, ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ ৱারঙম, জেনরেল সেক্রেটরি গাইদোন কামৈ, মেম্বর কে মেরিকোল অমসুং অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্ট কম্মিটিগী চেয়ারমেন কে ঐচ পাওলিয়ো য়াওখি। ৱারী শানবা অদু নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী পুং ১.৩০ থাওবা ফাওবা চথখি।

ৱারী শানবা অদুদা করি করি খন্নখিবগে হায়বদু হংননবা পাউমীশিংনা কনফরেন্স হোল অদুগী ৱাংমদা মতম শাংনা ঙাইদুনা লৈনখি। অদুম ওইনমক জোইন্ট সেক্রেটরি হোম শ্রী শম্ভুনা ৱারী শানখিবা অদুগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তগী হায়নিংদবগী মতৌ উৎলদুনা পাউমীশিংনা হংবদা করিমত্তা খুন্নমদনা গাড়ী কাখৎলগা থুনমক মফম অদুদগী হনখি। মণিপুর সরকারগী মহুৎ শিন্দুনা ৱারী শানবা অদুদা য়াওখিবা মিনিষ্টরিয়েল টিম অদুগী মায়কৈদগীসু করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ  হায়বা য়াখিদে।

ৱারী শানখিবা অদুগী মতাংদা  অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্ট কম্মিটিগী চেয়ারমেন কেএস পাউলিওনা হায়খিবদা, ঙসি নাকল অহুমগী ওইনা চথখিবা ট্রাইপরটাইট তোক অদু য়াম্না কুসিয়েল ওই। অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টকী মতাংদদি হৌজিক চথরিবা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং অসিনা দিভলপমেন্ট অমা লাক্লবা মতমদতা অরেপ্পা লৈখাই অমা তাবা ঙমগনি।

ঙসি তরেৎলক শুবা ওইনা চথখিবা ৱারী শানখিবা অদুদা অহানবা ওইনা মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা লুচিংদুনা শরুক য়াবা অসিনা ৱারী শানবা হৌরকপদগী অহানবনি। মমাংদদি ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা মমাংদা অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টকী মতাংদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমশিং অমদি সরকারদা পীশিনখিবা চে-চাং অদু ওফিসিয়েল ওইরে হায়বা ঙসিগী ৱারী শানবা অদুদা কনফার্ম ওইরে।  ঙসি মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী মিনিষ্টরিয়েল টিম লাক্তুনা শরুক য়ারবা অসিনসু ৱারী শানরিবা অসি পোজিটিভ ওইবা মওংদা চৎলি হায়বদু ময়েক  শেংনা তাক্লে হায়খি।

Naharolgithoudang